ইন্দিয়াদগী হৌরকখিবা অনৌবা কোভিদ ভেরিয়েন্টনা শোকহনখিবা মফম ৫৩ শুখ্রে

জেনেভা, মে ২৬ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াদা নৌনা থেংনখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা মফম ৫৩ দা চৈথেং পীবা হৌখ্রে হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন্না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

য়ুনাইটেদ নেসন্স হেল্থ এজেন্সিগী রিপোর্ট অমনা ওফিসল ওইনা মালেমগী মফম ৫৩ দা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা চৈথেং পীখ্রে হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং নন ওফিসল ওইবা রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.১.৬১৭ অসি অতোপ্পা মফম ৭ তসু শন্দোরকপা হৌখ্রে হায়রি।

সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনখিবগী মতুং ইন্না বি.১.৬১৭ ভাইরস অসি শন্দোকপগী চাং য়াম্না ৱাংই অমদি হকচাংগী কয়াৎশিংবু য়াম্না থুনা শোকচিনহনবা ঙম্মী। হৌখিবা চয়োল অসিদা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা মালেমগী ওইনা মীওই মিল্লিয়ন ৪.১ ইফেক্ত তৌহনখি। অদুগা মীওই ৮৪,০০০ না শিহনখি।

অদুমওইনমক মালেমগী মফম অয়াম্বদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং অসি হান্নগা য়েংনরুবদা খরা মখৈদি হন্থখ্রে। য়ুরোপিয়ন রিজনদা কোভিদ নাবা অমদি শিহনবগী চাং হৌখিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা চাং য়াম্না হন্থখ্রে।

অমেরিকা, ইষ্টর্ন মেদিটরানিয়ন, আফ্রিকা অমসুং ৱেষ্টর্ন পেসিফিক রিজনশিংদসু হান্নগা য়েংনরুবদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লি। মফম খরদা লায়না লাইচৎ অসি শন্দোকপগী চাং হন্থরক্লবসু অতোপ্পা মফম খরদদি হান্নদগী হেন্না লায়না লাইচৎ অসিনা মী শিহনবা অমদি শান্দোকপগী চাং হেনগৎলক্লি।

হৌখিবা নুমিৎ ৭ নি অসিদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা ইন্দিয়াদা মীওই ১,৮৪৬,০৫৫ ইনফেক্ত তৌহনখি। ব্রাজিলদা ৪,৫১,৪২৪; অর্জেন্টিনাদা ২,১৩,০৪৬ অমদি কলম্বীয়াদা ১,০৭,৫৯০ লায়না লাইচৎ অসিনা ইনফেক্ত তৌহনবা থেংনখি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না হৌজিক ফাওবগী ওইনা কোভিদকী ভেরিয়েন্ট বি.১.১.৭ না মালেমগী লৈবাক ১৪৯ দা, বি.১.৩৫১ না ১০২ দা অমসুং বি.১ না ৫৯ দা চৈথেং পীখি। মদুগী মখা তারকপা ওইনা অনৌবা ভেরিয়েন্ট বি.১.৬৭ না অমুক হন্না চৈথেং পীরকখিবনি।

নৌনা থেংনখিবা ভেরিয়েন্ট অসিনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা মফম ৫৩ দা চৈথেং পীখ্রে। মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংদা শন্দোরকপা থিংনবা অকন্নবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎনবা ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসন অমদি য়ুনাইটেদ নেসন্স অনীনা লৈবাক লৈবাকশিংদা খঙহনখ্রে হায়রি।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রুসিয়ান প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অহানবা ওইনা উন্নরগনি

ৱাশিংটন, মে ২৬ (এজেন্সী) :

লাক্লিবা জুন ১৬ তা অহানবা ওইনা য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেন অমসুং রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিন অনী উন্নরগনি হায়না নাকল অনীমক্তগী ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা মালেমদা অহানবা ওইনা লৈবাক অনী অসিনা মখোয়গী মরী ফগৎহন্নবগীদমক থবক পায়খৎপা হৌরগনি হায়না হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা হ্বাইট হাউসকী প্রেস সেক্রেটরি জেন সাকিনা ফোঙদোকখিবদা জেনেভাগী স্বিজ সিটিদা লুচিংবা অনী অসি উন্নগনি। লুচিংবা অনী অসিনা মরু ওইনা লৈবাক অনীগী মরক্তা হান্না লৈনরম্বা চয়েৎনবশিংগী মতাংদা মরু ওইনা খন্নগনি অমদি লৈবাক অনীগী মরক্তা মতম শাংনা অচেৎপা মরী লৈহন্নবগী মতাংদা ৱারী শান্নগনি।

মতম কয়াগী মমাংদগী য়ু এস অমসুং রুসিয়াগী মরক্তা মান্নদবা ৱাখল্লোন কয়াদা থবক তৌনরি। মসিনা মরম ওইরগা লৈবাক অনীগী মরক্তা ঙসি ফাওবদা অফবা মরী থম্বা ঙমদনা লাক্লি। মালেমগী ওইনা মপাঙ্গল শোনবা অমদি ইকনমিগী মতাংদা শোন্থনা লৈরিব। লৈবাকশিংগী মরক্তা নৎত্রগনা লৈবাক মনুংদা নাকপাক তান্নদুনা উংখৎনরকপগী থৌওংশিংদা য়ু এস অমসুং রুসিয়া অনীনা নাকল নাকলদা লেপ্তুনা থবক তৌদুনা লাক্লি।

রুসিয়াগী প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ফোঙদোকখিবদা য়ু এস অমসুং রুসিয়াগী মরক্তা অফবা মরী থম্নবগীদমক পায়খৎলক্লিবা খোঙথাংশিং অসি থাগৎনিংঙাই ওই। মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অনীগী মরক্তা য়ানদবা কয়া লৈরি। অদুবু য়ু এসতা নৌনা প্রসিদেন্ট ওইরকখ্রবা জো বাইদেনগী এদমিনিষ্ট্রেসন্না অনৌবা ৱাখল্লোন অমদা লৈবাক অনীগী মরক্তা অফবা মরী লৈহন্নবগীদমক হোৎনরক্লিবা অসি থাগৎলি হায়রি।

পনবা য়াবদি হৌখিবা কুমজা ২০২০ গী প্রসিদেন্সিএল ইলেক্সনদা রুসিয়ানা সাইবর এটেক চথখি হায়বগীদমক মোস্কোগী মথক্তা বাইদেননা অনৌবা অথিংবশিং থমজিনখিবা লৈখ্রবনি। মসিদা নন্তনা ব্লাদিমির পুটিনগী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা ওইরিবা ক্রেমলিন ক্রিটিক এলেক্সে নভালনিবু হু পীজদুনা হাৎনবা হোৎনরমখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদসু ৱাশিংটননা মোস্কোদা অকনবা মওংদা ব্লেম তৌদুনা লাকখিবনি।

নাভালনিগী মথক্তা চথখিবা অহেনবা থৌওংশিং অদুগা মরী লৈননা বাইদেননা পুটিনবু মীহাৎপগা চাংদম্নখিবনি। মদুগী মতুং রুসিয়ান গর্ভর্ণমেন্টনা ফোর্মেল ওইনা য়ু এসপু অন ফ্রেন্দিলি ওইবা লৈবাক অমনি হায়না লাউথোকখিবনি।

অমরোমদা রুসিয়াগী হান্নগী ফোরেন মিনিষ্টর সর্গিনা ফোঙদোকখিবদা নাকল অনীনা ৱারী শান্নবা হোৎনরিবা অসি য়াম্না ফবা খোঙথাংনি। অদুমওইনমক ৱারী শান্নবা অসিদা নাকল অনীগী মরক্তা য়াশিন্নবা পুরক্কনি হায়বগী থাজবদি লৈত্রি হায়রি।

য়ু এসতা লৈবা এদল্ট অয়াম্বনা কোভিদ ভেক্সিন কাপখ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৬ (এজেন্সী) :

য়ু এসতা লৈবা এদল্টশিংগী চাদা ৫০ দি কোভিদ-১৯ ভেক্সিনগী ফুল দোজ কাপখ্রে হায়না হ্বাইট হাউসনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিনা ফুল দোজ কাপ্পদা খ্বাইদগী মাংজিন থাবা লৈবাক ওইরি হায়রি।

অমেরিকাদা মীওই মিল্লিয়ন তঙ্খাইরোম হেন্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা শিহনখ্রে। মখা তানা লায়না লাইচৎ অসিনা লৈবাক অসিদা চৈথেং পীরক্তনবা মরী লৈনবশিংনা পায়খৎফম থোকপা থবকশিং পায়খৎখিবগা লোয়ননা ভেক্সিনেসনগী থবক চথরকখিবনি। মখা তানা অহানবা দোজ কাপখ্রবা লৈবাক অদুগী মীওই খুদিংমক হন্দক থাগী মনুংদা সেকেন্দ দোজ কাপ্পবা শেম শাবা হৌখ্রে অমদি থা অসিগী মনুংদা লৈবাক অদুদা লৈরিবা চহী ১৮ গী মথক্তা লৈরিবা মীওই খুদিংমক অহানবা দোজ কাপ্পা লোয়শিন্নবা পান্দম থল্লি। য়ু এসতা লৈরিবা এদল্টশিংগী মনুংদা চাদা ৭০ দি অহানবা দোজ কাপখ্রবনি।

কোভিদ-১৯ য়াওনা মালেমদা পীরক্লিবা অয়েৎপশিং অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নসি: দলাই লামা

টিবেট, মে ২৬ (এজেন্সী) :

মালেমদা লৈরিবা লৈবাকশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিন্দুনা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ য়াওনা মীওইবা খুন্নাইদা শীংনরক্লিবা খুদিংমক অমত্তা ওইনা থেংনমিন্নবগী মতম ওইরে হায়না টিবেটান রিলিজিয়স লিদর দলাই লমানা ঙসি ফোঙদোরকখ্রে।

নোবেল পিছ প্রাইজসু ফংখ্রবা দলাই লমা বুধা পুর্ণিমা নুমিত্তা বুধিষ্টশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরকখিবগা লোয়ননা মহাক্লা ফোঙদোকখিবদা অমনা অমবু ঈকায়খুম্নবা উৎলবা অমদি থৱায় পানবা খুদিংমকপু থাক ৱাংনা খনবা ঙম্নরবা মতমদা মালেমসিদা খুন্দাদুনা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক অমত্তা ওইনা পুনশিন্নবা য়াগনি। অদুবু হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদি মশা মশাগীতা খল্লগা থবক তৌবনা মরম ওইরগা পুনশিনবা ঙমদ্রি।

ঐনা অঙাং ওইরিঙৈদগী হৌনা বুধিষ্টকী মতাংদা নৈনরকখি অমদি তমদুনা লাকখি। হৌজিক ঐ ইশাগী চহী ৮৬ শুরে। অদুবু হৌজিকসু ঐ তন্বগী লোয়না নাইদে। ঙসিদগী চহী ২,৬০০ গী মমাংদা বুধনা তাক্লম্বা ময়াম অদু ঙাক্লা চৎনবা মহাক্কী ওইনা হোৎনরি। অমত্তা ওইনা হিংমিন্নবা, অমনা অমবু নুংশিনবা অমদি মতেং পাংনবা হায়বা ৱাখল্লোন অসিদা মহাক্লা হিংলি। মহাক্কী ৱাখল্লোন অসি অতোপ্পশিংদা খলহন্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি।

মীওই খরনা মশাগী ওইজবা থাদোক্লগা থবক তৌবনা মালেম পুম্বদা ঈং তপ্পা পুরকপা ঙল্লোই। মসিদি খুদিংমক্লা চপ মান্ননা থবক তৌমিন্নরবা মতমদতা মায় পাক্কনি। কোভিদ-১৯ না পীরক্লিবা চৈথেং অসিসু মালেমগী মীয়াম্না ৱাখল্লোন অমত্তদা থবক তৌমিন্নরল্লবদি ঙসিগী ফীভম অসি য়ৌনা চৈথেং পীরমদবা য়াই। অদুবু অমনা অমবু থাজনদবা অমদি অমনা তৌবা থবক অতোপ্পা অমনা করেম্নবদগী লায়না লাইচৎ অসি পাকশান্না শন্দোরকপনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই হায়রি।

মীয়াম শোকহন্দনবা চেকশিন্না থবক পায়খৎখি

বেলারুস, মে ২৬ (এজেন্সী) :

বেলারুসকী প্রসিদেন্ট অলকজেন্দর লুকাসেনকোনা বেলারুসতা য়েনরাই ফ্লাইট মমাই লৈহনখিবা অদু লৈবাক অদুগী মীয়ামগী খল্লগা অমদি প্লেন অদু খুদোংথিবা থোক্তনবগীদমক য়াম্না মুন্না খল্লবা মতুংদা পাঙথোকখিবা থবকনি হায়না ফোঙদোরক্লি।

এথেন্সতগী ভিলনিয়স তম্না পাইরকখিবা ফ্লাইট অমা বেলারুসকী নোংথক্কী শরুক্তা চৎহনখিদবগা লোয়ননা মিন্সতা প্লেন অদু নম্ফুদা লেন্দিং তৌহনখিবনি। থৌদোক অদুবু য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংনা অকন্নবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লখি। লৈবাককয়ানা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রবসু লুকাসেনকোনা প্লেন লেন্দিং তৌহনখিবা অদু তঙাইফদনা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী খল্লগা তৌহনখিবনি। বেলারুসতা মায়কৈকয়াদগী সেক্যুরিটিগী লমদা শীংনরি। পাইরকখিবা প্লেন অদুদা চিংনবা য়াবা মচাকশিং য়াওই হায়বগী অকক্লবা পাউ ফংলবা মতুং তঙাইফদনা লেন্দিং তৌহনখিবনি।

মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

#	Country, Other	Total Cases	New Cases	Total Deaths	New Deaths	Total Recovered	Active Cases
	World	168,586,342	+72,723	3,501,515	+2,296	150,227,206	14,857,621
1	USA	33,947,189		605,208		27,606,442	5,735,539
2	India	27,157,795	+1,413	311,421		24,350,816	2,495,558
3	Brazil	16,195,981		452,224		14,648,332	1,095,425
4	France	5,609,050		108,879		5,246,228	253,943
5	Turkey	5,203,385		46,621		5,045,508	111,256
6	Russia	5,026,168	+8,373	119,600	+406	4,642,090	264,478
7	UK	4,467,310		127,739		4,305,971	33,600
8	Italy	4,197,892		125,501		3,804,246	268,145
9	Germany	3,662,568		88,161		3,438,800	135,607
10	Spain	3,652,879		79,801		3,402,258	170,820
11	Argentina	3,586,736		75,056		3,157,660	354,020
12	Colombia	3,270,614		85,666		3,063,330	121,618
13	Poland	2,868,450	+1,267	73,305	+209	2,630,581	164,564
14	Iran	2,855,396		79,056		2,362,428	413,912
15	Mexico	2,399,790	+2,483	221,960	+265	1,917,958	259,872
16	Ukraine	2,189,858	+3,395	49,893	+208	1,990,051	149,914
17	Peru	1,932,255		68,470		1,720,665	143,120
18	Indonesia	1,791,221	+5,034	49,771	+144	1,645,263	96,187
19	Czechia	1,659,433	+658	30,054	+4	1,614,405	14,974
20	South Africa	1,640,932		55,976		1,543,951	41,005
21	Netherlands	1,631,384		17,566		1,443,571	170,247
22	Canada	1,365,516		25,324		1,292,324	47,868
23	Chile	1,339,421		28,585		1,270,769	40,067
24	Philippines	1,193,976	+5,310	20,169	+150	1,127,770	46,037
25	Iraq	1,176,980		16,241		1,090,891	69,848
26	Romania	1,076,533	+379	30,092	+52	1,035,902	10,539
27	Sweden	1,067,107		14,400		938,774	113,933
28	Belgium	1,050,677	+855	24,873	+20	947,199	78,605
29	Pakistan	908,576	+2,724	20,465	+65	827,843	60,268
30	Portugal	845,840		17,021		806,648	22,171
31	Israel	839,392	+3	6,406		832,554	432
33	Bangladesh	792,196		12,441		732,810	46,945
34	Jordan	732,356		9,395		712,458	10,503
35	Japan	725,536	+3,901	12,497	+99	650,111	62,928
36	Serbia	710,729		6,801		690,453	13,475
37	Switzerland	691,119	+996	10,787	+1	641,078	39,254
38	Austria	642,583	+445	10,566	+15	625,453	6,564
39	UAE	561,048	+1,757	1,661	+3	540,886	18,501
40	Lebanon	538,991		7,690		513,249	18,052
41	Nepal	535,525	+6,677	6,845	+145	411,603	117,077
42	Malaysia	533,367	+7,478	2,432	+63	464,727	66,208
43	Morocco	517,423		9,129		505,668	2,626
44	Saudi Arabia	443,460		7,278		426,589	9,593
45	Ecuador	420,167		20,227		366,425	33,515
46	Bulgaria	417,133		17,581		376,126	23,426
47	Greece	393,583		11,872		359,890	21,821
48	Slovakia	389,176	+190	12,312	+11	374,239	2,625
49	Belarus	388,987	+1,169	2,801	+10	379,265	6,921
50	Kazakhstan	378,311	+1,739	3,856	+28	343,788	30,667
51	Panama	374,937		6,353		362,765	5,819
52	Bolivia	355,349	+3,179	14,124	+100	285,170	56,055
53	Croatia	354,921	+538	7,971	+21	343,838	3,112
54	Georgia	340,330	+1,015	4,682	+28	321,928	13,720
55	Paraguay	338,914		8,591		279,343	50,980
56	Tunisia	337,529		12,342		298,141	27,046
57	Azerbaijan	332,894		4,877		321,677	6,340
58	Costa Rica	306,899		3,877		231,319	71,703
59	Palestine	306,334		3,480		299,024	3,830
60	Kuwait	301,863		1,746		287,357	12,760

চীংকারোয় অমা তারকপদগী অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি

এঙ্করস, মে ২৬ (এজেন্সী) :

অলাসকা দেনালি মাউন্টেনদা চৎখিবা এক্সপেদিসন টিমদা শরুক য়াখিবা ক্লাইম্বর অমা ফিট ১,০০০ রোম ৱাংবা মফম অমদগী তারকপদগী অরুবা ফীভমদা লায়কন্নরি হায়না নেস্নেল পার্ক সার্ভিসনা ফোঙদোরক্লি।

মশাগী চহী ৩১ রোম শুরবা চীংকারোয় অদু অদাম রোসকি কৌবা বৃটিশ কলম্বীয়া অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে। দেনালি মাউন্টেন অসি চীংকারোয় কয়াগী মীৎয়েংফম ওইরিবা মফম অমনি। ফিট ২০,৩১০ রোম ৱাংবা চীং অসিদা মীওই কয়া চহী খুদিংগী লাক্তুনা এক্সপিদিসন চৎলি। কনাদিয়ন ক্লাইম্বর অসিগা চৎমিন্নখিবা অতোপ্পা চীংকারোয়শিং অদু চীং অদুগী ফিট ১৭,২০০ ৱাংবা শরুক্তা কেম্প তৌনবা পান্দম থল্লগা কাখিবনি।

ক্লাইম্বরশিং অদুনা মখোয়গী পান্দম অদু য়ৌরবা মতুং চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি লৈফম শেম শাদুনা লৈনখি। খঙহৌদনা কনাদিয়ন ক্লাইম্বর অদু মহাক্কী বেক অদু পায়রগা মহাক্কী তুমফম মফম থিনবা থোকখিবনি। অদুবু খোঙফম শোয়বদগী মহাক কেম্প তৌফম শরুক অদুদগী ফিট ১,০০০ রোম চথরগা লৈবা মফম অমদা তাশিনখিবনি। মহাক তাখিবগী পাউ হেক ফংবগা চীংকারোয়শিং অদুনা নেস্নেল পার্ক সার্ভিসতা খঙহনখি অমদি খুদক্তা হেলিকোপ্তর শীজিন্নদুনা মহাকপু হোস্পিটালদা পুখিবনি হায়রি।

ইথিওপিয়াদা চাবা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরি

টিগ্রে, মে ২৬ (এজেন্সী) :

ইথিওপিয়াদা থোক্লিবা লৈবাক মনুংগী ওইবা লালনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মনুং চনবা টিগ্রেদা মীশি মীনা অমদি অকায় অতোই কয়া থোকহনখ্রবা মতুং মীওই কয়া চাবা ফংদবগী অৱাবা কয়া মায়োক্লরে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সকী অন্দর সেক্রেটরি জেনরেল ফোর হ্যুনেটেরিয়ন এফ্যেরস এন্দ ইমর্জেন্সি রিলিফ কোওদিনেটরনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা থা ৭ লোম অসিদা গর্ভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংনা লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লখিবা অদুনা মরম ওইরগা মীওই লীশিং কয়া শিহনখ্রে। অদুগা কয়া অমনা মফম অদুদ থাদোক্তুনা অতোপ্পা মফমশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রে। টিগ্রেদা হৌজিক লৈহৌরিবা মীওই মিল্লিয়ন ৫ রোম্না চাবা থকপা ফংদবগী অৱাবা মায়োক্লরি। য়ুনাইটেদ নেসন্সকী মায়কৈদগী অৱাবা তারবা মীওইশিংদা তেংবাং পীনবা অকনবা মওংদা হোৎনরি অমদি ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংদসু তেংবাং পীনবা আপীল তৌরি হায়রি।

পনবা য়াবদি মমাং চহীগী নবেম্বর থাদগী হৌরগা গর্ভর্ণমেন্ট ফোর্সশিংনা টিগ্রে পিপলস লিবরেসন ফ্রন্টকী মথক্তা এটেক কয়া চথদুনা খুৎলাই পায়বা গ্রুপ অদুবু মফমদুদগী তাম্থোক্লবা হোৎনদুনা লাকখিবনি।

ইজরেল-হমাজকী সিজফায়র শৌগৎনবা ব্লিনকন ইজিপ্তা থুংখ্রে

ৱাশিংটন, মে ২৬ (এজেন্সী) :

গাজা ষ্ট্রিপতা ইজরেল অমসুং হমাজনা লুচিংবা পেলিষ্টিনিয়ন মিলিটেন্টশিংগী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবা মতুং নাকল অনীগী ফিরেপ অদুবু পুক্লিং থৌগৎপা ওইনা অমদি মখা তানা খূৎ থোক্লহন্দনবগী পান্দমদা থবক পায়খৎনবগীদমক য়ু এস সেক্রেটরি ওফ ষ্টেটস এন্টোনি ব্লিনকন ঙসি ইজিপ্তুতা থুংখ্রে হায়রি।

ইজরেল অমসুং হমাজ অনীগী মরক্তা সিজ ফায়র পুরক্লবা হোৎনবদা ইজিপ্তনা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা অদুবু য়ু এসনা থাগৎপা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা নাকল অনীগী মরক্তা ঈং তপ্পা পুরক্লবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা ইজিপ্তা চত্তুনা লৈবাক অদুগী লুচিংবশিং উন্নরগা ৱারী শান্ননবগীদমক ব্লিনকন খোঙশানখিবনি।

ইজরেলনা গাজা ষ্ট্রিপতা নুমিৎ ১১ নি লেপ্তুনা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুনা মরম ওইরগা অঙাং ৬৬ য়াওনা পেলিষ্টিনিয়ন ২৪৮ শিহনখি। অদুগা ২,০০০ হেন্না অশোক অপন নংহনখি।

হমাজনা ইজরেল তম্না কাপশিল্লকখিবা মিসাইল অমদি রোকেটশিংনা মরম ওইরগা ইজরেল্লি ১২ শিহনখি। নাকল অনীগী মরক্তা লেপ্পা লৈতনা খূৎ থোক্লরকখিবা অদুনা মরম ওইরগা গাজা ষ্ট্রিপতা লৈবা মীওই ময়া মফম অদু থাদোক্তুনা চেন্নহনখি। অমদি লৈহৌরিবা খরা অদুনা খুদোংচাদবা ফীভম অমদা হিংলি।

অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ইজিপ্তনা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা নাকল অনীগী মরক্তা খূৎ থোক্লবা লেপহনখিবা অসি মালেমগী লৈবাক খুদিংমক্লা পুক্লিং থৌগৎফম থোকই হায়না হ্বাইট হাউসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ম্যান্মারদা ভাইওলেন্সকী থৌদোকশিং লেপ্পবা চর্চ লুচিংবশিংনা তকশিনখ্রে

য়াঙোন, মে ২৬ (এজেন্সী) :

চহী অসিগী ফেব্রুৱারী থাদগী ম্যান্মারদা মিলিটরিনা লৈঙাক পায়শিনখ্রবা মতুং আর্মী অমসুং খুৎলাই পায়বা ইথনিক গ্রুপশিংগী মরক্তা থোকখিবা নোংমৈ কাপ্পবগী থৌদোকশিংনা মরম ওইরগা ম্যান্মারগী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা লৈরিবা মীওইশিংদা খম থেংনা অৱাবা পীরিবা অদুগী য়েংলগা লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্পবা চর্চ লুচিংবশিংনা তকশিনখ্রে হায়রি।

চয়োলসিদসু ম্যান্মার ঙমখৈগী শরুক্তা লৈবা সান ষ্টেটতা লৈরিবা কেথোলিক চর্চ অমদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মীওইশিংগী মথক্তা ম্যান্মার মিলিটরিনা এটেক চথদুনা মীওই মরি হাৎখি অদুগা ৮ না অশোক অপন নংহনখি।

খৃষ্টান লাইনিং চৎপশিংনা খ্বাইদগী শেংবা মফম অমা ওইরিবা চর্চ মনুংদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা মরাল লৈজদ্রবা মীওইশিং ম্যান্মার আর্মীনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবু রোমান কেথোলিক লিদরশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং লেপ্তুনবা তকশিনখিবনি।

শান অমসুং কয়া ষ্টেটতা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা ম্যান্মার মিলিটরি অমসুং খূৎলাই পায়বা লোকেল ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। খূৎ থোক্লবগী থৌদোক লোইরবা মতুং মিলিটরিনা মরাল লৈজদ্রবা মীচমশিংদা মখোয়গী অশাওবা ফুদোক্তুনা ওৎ নৈবগী থবক চথরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা প্রিষ্ট চার্লস মুৱাং বোনা ফোঙদোকখিবদা হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু থাইলেন্দ অমদি ম্যান্মারগা তায়নবা ঙমখৈদা লৈবা লোইকো দিষ্ট্রিক্টতা চথরকখিবা এটেক অমদা মীয়ামগী লাইনিং লাইশোনগী থবক থৌওংশিং পাংথোকফম ওইরিবা চর্চ অমা চাওনা অমাং অতা থোকহনখি।

মিলিটরিনা নোংথক্কী শরুকশিংদগী য়াওনা মফম কয়াদা নোংমৈ কাপ্পা অমদি বোম থাদবগী থৌদোকশিং চথরি। মসিনা মরম ওইরগা লাঞ্জদ্রবা নুপী অঙাং কয়া অশোক অপন নংহল্লি। থৌদোক অসি য়াম্নমক লাইবকথিবনি। মরম অদুনা খূৎ থোক্লবগী থৌদোকশিং লেপ্লিরো নৎত্রবদি তুংদা খুদিংমক অৱাফমদা তারগনি।

ইন্তরনেস্নেল কনভেন্সনগী মতুং ইন্না লালগী মতম ফাওবদা চর্চ, হোস্পিটাল অমদি স্কুলশিং ঙাক শেন্দুনা থম্নরিবনি। অদুবু ম্যান্মারদদি মদুগী ওন্না তৌনবদা হায়রিবা মফমশিং অসিদা মিলিটরিনা এটেক চথরি। চর্চতা শৈদাংদুনা লৈরম্বা মীওই ২০,০০০ লোম মনাক নকপদা লৈবা উমংদা চেনশিন্দুনা হিংনবা হোৎনরি হায়না বোনা মখা তারি।